‘চহী ৩ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়া মেন্যুফেকচরিংদা চাইনাগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা হন্দক্তা খোঙচৎ অমা লাকখিবা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী প্রসিদেন্ট অজয় বঙ্গানা হায়খ্রে, মদুদি ইন্দিয়া অসি মেন্যুফেকচরিংগী লমদা চাইনাগী মহুৎ শিনবা য়াবা লৈবাক অমা ওইরক্লবগী খুদোংচাবা চাওনা লৈ। অদুম ওইনমক ৱার্ল্ড বেঙ্ককী চীফ অসিনা খুদোংচাবা অদু লৌননবগীদমক্তা ইন্দিয়ানা চহী তরা চুপ্পা ঙাইগদবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং শুপ্পগী চহী ৩ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসি মেন্যুফেকচরিং সেন্টর অমা ওইরক্লবা হোৎনবা য়াগনি হায়খি।

বঙ্গানা হায়রি, মদুদি করিগুম্বা কম্পেনি কয়ানা চাইনাবু মপুং ফানা থাদোকপা নত্ত্রবসু মখোয়না সপ্লাই চেন হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মেন্যুফেকচরিংগী মতাংদা অতৈ লৈবাকশিংদসু মীৎয়েং থম্লক্কনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইন্দিয়ানা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা চাইনাগী মহুৎ শিনবা য়াবা লৈবাক অমা ওইরক্লবগী খুদোংচাবা অসি লৌবা মথৌ তাই হায়না বঙ্গানা মরী লৈনবা পুন্নমক্তা পাউতাক পীরি।

বঙ্গাগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অসি গ্লোবেল লেন্দর অসিগী মকোক ওইরবা মতুংদা লৈবাক অসিদা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎনি। মহাক গুজরাটকী অহমেদবাদতা পাঙথোকখিবা জি ২০ ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং অমসুং সেন্ট্রেল বেঙ্ক গভর্ণরশিংগী মীফমদা শরুক য়াখি।

মশাগী চহী ৬৩ শুরবা ইন্দিয়ান-অমেরিকন বঙ্গানা হৌখিবা জুনদা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী প্রসিদেন্টগী ফম পায়বা হৌখি। মদুনা মহাকপু গ্লোবেল ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন অনী হায়বদি ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ অনীসিগী মনুংদা অমগী মকোক ওইবা অহানবা কলরগী মশক ওইরকখি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মালেমগী মরু ওইবা চাওখৎলবা অমদি চাওখৎলক্লিবা ইকনোমিকশিংগী ইন্টর গভর্ণমেন্টেল ফোরম অমা ওইরিবা জি ২০ গী প্রসিদেন্সি পায়রিবনি।

চাইনাদা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈননা চহী অহুম চুপ্পা অকনবা লোক দাউন থমখিবনা মরম ওইদুনা কঞ্জ্যুমসনগী চাং য়াম্না হন্থরকখি অমসুং লেবর মার্কেটতা শাথিরবা দাউন ট্রেনগী ফিভম অমসু লাকহনখি। চাইনাগী নহা ওইরিবা মীওই মঙা খুদিংগী মীওই অমা থবক ফঙদে অমসুং কম্পেনিশিংনা কঞ্জ্যুমর দিমান্দ হন্থরকপনা মরম ওইদুনা থবক পীবা ঙমদে হায়বসি দেটানা উৎলি।

মসিদা নত্তনা চাইনাদা রিএল ইষ্টেট ক্রাইসিস লাকপদগী হেন্না শাথিবা খুদোংচাদবা কয়া থোরকখি। চাইনাদা পায়খৎলিবা রিএল ইষ্টেট প্রোজেক্ট কয়া হৌজিক নীংথিনা মথৌ তৌদ্রে অমসুং দিমান্দ হন্থরকপনা মরম ওইদুনা দিভলপ্পরশিংনা শীংনবা কয়া মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফিভম অসি থেংননবা চাইনাগী সেন্ট্রেল বেঙ্কনা দিভলপ্পরশিংগী লোন শীংবগী দেটলাইন হেন্না শাংদোকহন্নবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রে।

অদুম ওইনমক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনসু রিএল ইষ্টেট সেক্তরবু কনবা হায়বসি অরাইবা ওইদে অমসুং চাইনাদা লৈরিবা মরু ওইবা রিএল ইষ্টেট কম্পেনি কয়া মুৎখ্রে। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি দিফ্লেসন অসি চাইনাগী ইকনোমিদা মরু ওইবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লি।

মদ্রাস হায় কোর্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা মিনিষ্টর বলাজিনা ফাইল তৌবা প্লিগী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেটতা নোটিস পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা ইদিনা তামিল নাদুগী মিনিষ্টর বি সেন্থিল বলাজি ফাখিববু লিগেল ওই হায়বা মদ্রাস হায় কোর্টকী ওর্দর শীংনদুনা মিনিষ্টর অসিনা ফাইল তৌখিবা প্লি অমগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) তা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

জষ্টিসশিং এএস বোপানা অমসুং এম এম সুন্দরেসকী বেঞ্চ অমনা ইদিগী রেস্পোন্স কৌখি অমসুং মেটর অদু জুলাই ২৬ কী নুংথিল পুং ২ দা হিয়ারিং তৌনবা লেপখি। বলাজিগী মহুৎ শিল্লিবা সেনিয়র এদভোকেট কাপিল সিবালনা পুলিস কষ্টদিগী মায়োক্তা ইন্টরিম প্রোটেক্সন পীবিনবা হায়জখি।

অদুম ওইনমক বেঞ্চ অসিনা চিলহাই ওইনা করিমত্তা থোক্লক্কদবা লৈতে হায়রদুনা অসিগুম্বা ওর্দর পাস তৌবগী ৱাফম য়াখিদে। এপেক্স কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা ইদিগী প্লি অমসু হিয়ারিং তৌখি। এজেন্সি অসিগী প্লি অদুদা হায় কোর্টনা মিনিষ্টরগী লোইনবীনা ফাইল তৌবা হেবিয়স কোপস পিটিসন পায়বদা ফাওবা শোইখি হায়না পনখি। ইদিনা বলাজিবু ফারিবদু লোনা য়াই হায়না মদ্রাস হায় কোর্টনা জুলাই ৪ দা লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইদিনা তামিল নাদুগী মিনিষ্টর বলাজিবু ফারবা মতুং থবক লৌবদা শেল চারম্বগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা লৱার কোর্ট অমনা মনি লোন্দরিংগী চাজশিংদা জুদিসল কষ্টদি পীখিবদুসু হায় কোর্টনা শৌগৎখিবনি। হায় কোর্টনা ওর্দর অদু মিনিষ্টর সেন্থিল বলাজিগী লোইনবী মেগালানা ফাইল তৌখিবা হেবিয়স কোপস পিটিনগা মরী লৈননা পীখিবনি।

হায় কোর্টকী মীৎয়েংদা হেবিয়স কোপস প্লি অদু লোগী মতুং ইন্না মেন্টেনেবল ওইদে হায়না লৌখি। মসিদা নত্তনা কোর্টনা মখা তারদুনা বলাজিনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট তৌবদা লৌখিবা মতম অদু ইদিদা পীরিবা কষ্টদিগী মতম অদুদা য়াওহল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেটকী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টদা থোকখিবা থবক লৌবদা শেল চারম্বগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইদিনা হৌখিবা থাদা বলাজিবু ফাখিবনি।

মহা কুম্ভ ২০২৫ কীদমক্তা স্পেসল ট্রেন ১২০০ চেল্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

মহা কুম্ভ-২০২৫ কা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা অচৌবা লাইনিং লাইশোলগী ইভেন্ট অদুদা য়াওবা পাম্বা দিভোটিশিংবু খুদোংচাহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী স্পেসল ট্রেন ১২০০ ওপরেট তৌরগনি।

এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইভেন্ট অদুগা মরী লৈননা প্রয়াগরাজতা দিভোটি ক্রোর ৪০ রোম থুংলগনি হায়না পারি। কুমজা ২০১৯ গী কুম্ভদা পুন্না মীওই ক্রোর ২৪ হেন্না শরুক য়াখিবনি।

স্পেসল ট্রেনশিং ওপরেট তৌগদৌরিবা অসিগী মথক্তা রেলৱেজনা পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচানবগীদমক অমসুং আর ও বিশিং (রেল ওভর ব্রিদজ) অমসুং আর য়ু বিশিং (রেল অন্দর ব্রিদজ) সিটি অদুদা শানবগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৮৩৭ এপ্রুভ তৌখ্রে।

আর ও বি অমসুং আর য়ু বি ১৯ গী মনুংদা মরিগী থবক মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়বা য়াই অমসুং থা অসিমক্তদা কম্মিসন তৌরগনি। আর ও বি অমসুং আর য়ু বি তরেৎকী থবক লেপ্পুনা চথুরি অমসুং নিপান শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তি হৌদ্রি। নোর্থ সেন্ট্রেল রেলৱে (এন সি আর) গী প্রয়াগরাজ দিভিজনগী দিভিজনেল রেলৱে মেনেজর (দি আর এম) হিমনসু বাদোনিনা এন সি আর, নোর্থ ইষ্টর্ন রেলৱে (এন ই আর) অমসুং নোর্দন রেলৱে (এন আর) গী শেম শাবগী ফিভমগী রিপোর্ট অমা ফোঙখি।

বাদোনিনা হায়রি, মদুদি কুম্ভ ২০১৯ দা কোষ্ট নিপান নিপান য়াওবা ট্রেন ৮০০ ওপরেট তৌখি। হন্দক্তি ট্রেন খুদিংমক্তা কোষ্ট ১৬ য়াওগনি অমসুং চেনগদৌরিবা ট্রেনশিংগী মশিংসু হেনগৎলগনি। মথৌ তারবদি হৌজিক লেপ্লিবা মশিং অসিদগী অমুকসু হেনগৎহনগনি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না ট্রেনশিং অদু প্রয়াগরাজ জঙ্কসন, সুবেদার গঞ্জ, নাইনে, চিয়োকি, প্রয়াগরাজ রম্বাক, জুন্সি, প্রয়াগরাজ সঙ্গম, প্রয়াগ অমসুং ফম্ফমাও ষ্টেসনশিংদগী ওপরেট তৌগনি।

বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্ট অহুমগী মায়োক্তা কর্নাটকা পুলিসনা এক্সটর্নমেন্ট ওর্দর ইস্যু তৌরগনি

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

বেঙ্গলুরু সিটি অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা থোকখিবা মোরেল পোলিসিংগী থৌদোকশিংদা চেন্নবগীদমক্তা দখিনা কানারা দিষ্ট্রিক্টকী বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্ট অহুমগী মায়োক্তা কর্নাটকা পুলিসনা এক্সটর্নমেন্ট ওর্দর অমা ইস্যু তৌরগনি।

পুলিস ছোর্সশিংনা হায়রিবদি বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্ট অহুম অদুদা নোটিসশিং ইস্যু তৌদুনা মখোয়না ইল্লিগেল এক্তিভিটি কয়া চথদুনা খুন্নাইদা অকায়বা থোকহনখিবগা মরী লৈননা মখোয়বু করিগীদমক্তা লোই থারোইদগে হায়না হংখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিংসি অমদি অতৈ অকুপ্পশিংদি পুলিসকী মায়কৈদগী লাউথোরকপা লৈত্রি। এক্তিভিষ্টশিং অদুদা ইরাই নুমিত্তা মেঙ্গলুরুদা লৈবা দি সি পি, লো এন্দ ওর্দর দিভিজনগী ওফিসতা চৎননবা খঙহনখ্রে।

পুলিস ছোর্সশিংনা হায়রি, মদুদি খুন্নাইদা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেইন তৌনবগীদমক্তা মখোয়দা দিপোর্টেসনগী ওর্দরশিং পীরগনি অমসুং মোরেল পোলিসিংগী থৌদোকশিংগী মতাংদা মেসেজ অমসু পীরগনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না বজ্রংদলগী এক্তিভিষ্টশিং অদু চহী অমা চুপ্পা লোইথাগনি। সুলথান গোল জ্বেল্লরি ষ্টোরশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখিবদা মখোয় চেন্নখিবা অমসুং মুরোলিগী হোলি ফেষ্টিবেল সেলেব্রেসন মনুংদা মখোয়না অকায়বা পীখিবগা মরী লৈননা এক্তিভিটিশিং অদুদা লোকেল পুলিস রিপোর্ট পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ৬ তা সুলথান গোল জ্বেল্লরি ষ্টোরদা মাইনোরিটি কম্যুনিটিগী নুপামচা অমা জ্বেল্লরি ষ্টোর অদুদা থবক তৌবা নুপী মচা অমগা মরী লৈনৈ হায়রদুনা মীওই কাঙবু অমনা এসোল্ট তৌখিবনি।

ওরিয়া ৱার্কর ৩৩ রেস্ক্যু তৌনবা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা ইন্দিয়ান এনভোইদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়জখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

পন্দুনা লৈরিবা ওরিয়া ৱার্করশিং রেস্ক্যু তৌদুনা মখোয়বু ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকহন্নবা ওরিষা গভর্ণমেন্টনা সাউদি অরাবিয়াগী রিয়াদতা লৈবা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদরদা হায়জখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী কেপিটেল রিয়াদতা লৈবা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর সোহেল অজাস খানদা ওরিষাগী চীফ সেক্রেটরি প্রদিপ কুমার জেনানা শগোলশেল নুমিত্তা লেটর অমা ইখিবনি। মদু গল্ফ লৈবাক অদুদা থবক তৌরিবা ওরিয়া ৱার্করশিংগী মনুংদা খরদগী দিষ্ট্রেস কোলশিং অমসুং মেসেজশিং লাকখিবা মতুংদনি।

চীফ সেক্রেটরিনসু মহাক্কী লেটর অদুগী কোপি অমা জোইন্ট সেক্রেটরি (গল্ফ দিভিজন, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স) তা ফোরৱার্দ তৌখ্রে।

জেনানা ফোঙদোকখিবদা সাউদি অরাবিয়াদা থবক তৌরিবা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং মখোয়গী এমপ্লোয়রশিংনা নমথাক তৌবীরে। চীফ সেক্রেটরিনা মহাক্কী লেটর অদুদা হায়রিবদি গল্ফ লৈবাক অদুদা থবক তৌরিবা ইন্দিয়ানশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৩৩ দি ওরিষাদগীনি অমসুং অতৈ ১০ না টেলঙ্গনা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতগীনি হায়বসি খঙবা ঙম্লে।

গল্ফ ওরিয়া সোসাইটিনা ওরিষাদগী চৎখিবা পন্দুনা লৈরিবা ৱার্করশিং অদুবু কন্টেক্ট তৌখি অমসুং মখোয়গী ইকামা (ভিজা) মখোয়গী কম্পেনি ওর্নরশিং (কাফিল) না রিন্যু তৌদে হায়বসি খঙলকখি।

মহাক্লা মখা তানা লেটর অদুদা হায়রিবদি ৱার্করশিং অদু তলব পীদবগা লোয়ননা চিঞ্জাক, ঈশিং অমসুং হিদাক লাংথকনচিংবা তঙাই ফদবা কয়া ফঙহনখিদে। ৱার্করশিং অদু সাউদি অরাবিয়াগী কেম্প-৪৭ জুইমাদা লৈবা এম/এস হাদি অল হমাম গ্রুপতা থবক তৌবনি।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা ট্রিঙ্কোমল্লিবু রিজনেল হব ওইহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ঐখোয় লৈবাক্কী য়ুমথংনবদা অহানবা মীৎয়েং থম্বা হায়বা ইনিসিএটিবকী মখাদা ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা ইকনোমিক কো ওপরেসনগী এগ্রিমেন্ট কয়া ফাইনেলাইজ তৌরে হায়না ফোরেন সেক্রেটরি বিনয় মোহন ক্বাট্রানা ফোঙদোকখ্রে।

শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী নুমিৎ নীনিগী ইন্দিয়া খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা ক্বাট্রানা হায়খি, মদুদি নাকল অনীনা শ্রী লঙ্কাগী ট্রিঙ্কোমল্লি সিটিবু রিজনেল হব অমা ওইহন্নবা শেমগৎপগী ৱাফম য়ানরে।

ফোরেন সেক্রেটরিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কাগী মরক্তা পেসেঞ্জর অমসুং ফেরি সর্ভিস অমুক মখা চথবগী ৱাফমসু য়ানখিবগা লোয়ননা নাকল অনীনা ইন্দিয়াগী খাথংবা লমদমগা শ্রী লঙ্কাগগী মরক্তা লৈরিবা এয়র কন্নেক্টিভিটিগী ৱাফমসু খন্ন-নৈনখি। লৈবাক অনীনা হাই-গ্রিদ কন্নেক্টিভিটি লিংবগী ৱাফমসু খন্নখি।

ক্বাট্রানা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টগী খোঙচৎ অদুগী মনুংদা লৈবাক অনীগী ওইবা অমগা অমগা কো ওপরেসন পীনবগী মতাংদা মপুং ফানা খন্নবা কয়া চথখি অমদি য়ানবা কয়া পুরকপগা লোয়ননা প্রেস ষ্টেটমেন্ট কয়া থোকমিন্নখি।

লুচিংবা অনী বাই লেটরেল মরীগী ওইবা ৱাফম পুন্নমক কুপ্না রিভ্যু তৌখি। মখোয়না মখা তানা বাই লেটরেল মরী ফগৎহন্নবগী কম্মন ভিজন অমসু য়ানখি। কন্নেক্টিভিটিনা তোঙান তোঙানবা দাইমেন্সনশিং কোনবগা লোয়ননা ট্রেদ, ফাইনান্সিএল, দিজিটেল, সিটিজন মশেলগী এনগেজমেন্টনচিংবশিং খন্নখি।

য়ুপিগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা পোর্টেবল অল্ট্রাসাউন্দ মেছিনশিং ফঙহল্লগনি

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা পেসেন্টশিংবু বেদকী নাকলদা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবশিং ফঙহন্নবগীদমক্তা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা পোর্টেবল অল্ট্রাসাউন্দ (য়ুএসজি) অমসুং দিজিটেল রেদিওগ্রাফি মেছিনশিং ইন্সটোল তৌরগনি হায়না দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ব্রাজেস পাথক্না ফোঙদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর পাথক্না ফোঙদোকখিবদা পেসেন্টশিংদা অৱাংবা থাক্কী হেল্‌থ ফেসিলিটিশিং ফঙহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টগী টোপ প্রাইওরিটিনি। পান্দম অসি ফঙননবগীদমক ষ্টেটকী হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা মতমগা চুন্নরবা মেছিনশিং ইন্সটোল তৌরি।

পোর্টেবল অল্ট্রা সাউন মেছিনশিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তরা- সিব্রামাউন, কনৌস, কেন্টনমেন্ট বোর্দ হোস্পিটাল (লক্ষ্ণৌ), মাইনপুরি, মাও, সানকবির নগর, সাম্লি, অলিগর, অমরোহা অমসুং সিসোলি (ঔরায়া) দা ইন্সটোল তৌগনি হায়না দিপ্যুটি সিএমনা ফোঙদোকখি।

পোর্টেবল দিজিটেল রেদিওগ্রাফি মেছিনশিং সাহরানপুর, অলিগর, অমরোহা, ঔরায়া, অযোধ্যা, বাকপট, বলরাম্পুর, বন্দা, চিত্রকুট, ফারুখাবট, হাথ্রস, কনৌস, কানপুর দেহা, কাসগঞ্জ, কুসিনগর, কেন্টনমেন্ট হোস্পিটাল (লক্ষ্ণৌ), মহোবা, মাইনপুরি, মাও অমসুং সানকবির নগর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ইন্সটোল তৌগনি।

পাথক্কী মতুং ইন্না মেছিনশিং ইন্সটোল তৌবগী থবক অদু মথংগী থা অনীগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনগনি। থবক্তা থৌশাদবা নত্ত্রগা পন্থবগী থৌওং খুদিংমক লেম্না থারোই।

সেক্সুয়েল এসোল্টকী মরালদা কোলেজ প্রিন্সিপাল ফারে

সিবামোগা, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী সিবামোগা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোলেজ অমগী প্রিন্সিপাল চহী নৌরিবী নুপীমচা অমদা সেক্সুয়েল এসোল্ট চথখিবগী মরালদা ফারে হায়না ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদু কোটে পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদা থোকখিবনি অমসুং ভিক্তিম অদুগী ইমুংনা কেস অদুগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট অমা থাংগৎখি। এক্যুজ অদু পোক্সো এক্ট অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ট্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিস এক্টকী মখাদা বুক তৌখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না প্রিচ অমসু ওইরিবা প্রিন্সিপাল অদু তাকপী তম্বীবদা থোইদোক্লা হৈ শিংবনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংনা পাম্নখি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্লা চহী ১৭ কী নুপীমচা অমদা সেক্সুয়েল এসোল্ট চথখিবনি হায়রি।

[illegible] / ইঙ্খোল য়োঙ্গরি

মেন রোদকা তায়নবদা লৈবা অথুবগী ওইনা ইঙ্খোল অনী য়োঙ্গরি, পাক চাওবনা .২০ অমদি .১২নি, মফম্না ঙারিয়াম্বম ক্বা সিফাই, লমশাং, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি রোদ। পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

# 9862351586
8787623463

HL-P/7240/21,22,23

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/8137/3/5-27/7

ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবংপানসিদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবিরম্বা **মাইস্নাম দেভ (ওপেন)** না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ১৪/০৭/২০২৩ কুমজা ইঙেনগী ২৭নি পানবা ইরাই নুমিত্তা মপুগী লৈকোলদা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

চৎলিবা চৈচৎ ১৮/০৭/২০২৩ কুমজা, থৱানগী নোংমা (১নি) পানবা লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজরগা চৈচৎ ২৪/০৭/২০২৩ কুমজা, থৱানগী ৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লান্ন-থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।

কোরৌ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়-মিরেন্না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈজরুনবগীদমক্তা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাংগা লোয়ননা মপুগী মিংখৈরোল শক শোঞ্জদুনা কৎচগদৌরি।

নুমিৎ অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি ইমা-ইবেন পুন্নমক্লা ৱাংলেন চানা খোঙদোইবীরক্তুনা মপুগী মিংখৈ শক শোঞ্জবা অসিদা য়াওবীরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেল কৎচরি। পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিঞ্জবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ুক পুং ৮:০০ লাইনিংথৌ ফম্বাল লাংবা।
অয়ুক পুং ৯:০০ মপুগী মিংখৈ শক শোনবা।
অয়ুক পুং ১১:৩০ থৌরম লোইশিনবা।

নোল্লুকচরিবা ঃ-
ইমুং-মনুং

চিংঙারেল মনা ইংখোল।

HL-P/7241/21,22

JOB OPENING AT SHILLONG!!!

Chillibreeze Solutions Pvt. Ltd., a Graphic Design Company of 17 Years based in Shillong and Aizawl, is recruiting talented and passionate Job Seekers from Manipur for the post of Graphic Designer (Job placement in Shillong).

Minimum Requirements:
12th Passed/ Diploma in Computer Applications
Proficient in computer applications and using Microsoft Powerpoint
Good Communication skills (Verbal and Written)

Interested to join Chillibreeze?
Email: hr@chillibreeze.com
Apply online: http://careers.chillibreeze.com

HL-P/7212/18-27

[illegible]

[illegible]

HL-P/7162/14,16,18,20,22,24,26,28,30 July, 1,3,5,7,9,11 Aug

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT

Congratulations

HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT, Kharagpur in 1st Counselling,
IAT, 2023 (IISER)-AIR 33 (SC)

NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT, Jodhpur in 1st Counselling
IAT, 2023 (IISER)-AIR 395 (SC)

AYEKPAM LANKHONBA
NIT, Jhalandar in 1st Counselling

RK NIRAJ
IAT, 2023 (IISER)-AIR 1576

REGISTRATION OPEN
for
JEE (Mains) Target
April Session 2024
Commencing from 1st Sept. 2023
Eligibility : Class XII(Sc.) Passed/Appearing

For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

(ACI) ADVANCED COACHING INSTITUTE

SINCE 2011
LARGEST & TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
PRODUCING MAX POSITION HOLDERS IN BOTH COHSEM & BOSEM EVERY YEAR
HURRY !! LIMITED SEAT !! FIRST COME FIRST SERVE !!
SEPARATE CBSE AND BOSEM CLASS
XI & XII(Sc/Arts/Com) FOUNDATION STARTED FROM 3rd,5th & 6th July
SPECIAL CONCESSION FOR GOVT. SCHOOL/ACIAN/ST/SC /FAR DISTANCES
VI TO X (SEPARATED CBSE & BOSEM) 3rd,5th,6th & 7th July respectively
EXPERTED CBSE & BOSEM EXAMINER'S UNIQUE TEACHING
EVERY SUNDAY MOCK TEST , PRINTED STUDY MATERIAL, SPECIAL SUNDAY CLASS, EXTRA CLASS FOR WEAKER STUDENTS
REGULAR MEDICAL AND ENGINEEING FOUNDATION COURCE

1 Yr NEET & JEE FOUNDATION COURSE (XII PASSED OR APPEARING) : 5TH JULY
2 Yr. NEET & JEE FOUNDATIONN course (XI APPEARING OR XII PASSED) : 7th July
7 Months FOUNDATION COURSE (12 PASSED OUT) : 12TH JULY

1. 30 TIMES SUNDAY TEST
2. CHAPTERWISE MOCK TEST
3. MEGA (WHOLE CHAPTER 5 (FIVE)T TIMES TEST

FREESHIP : Scoring 400 marks & above in NEET-UG 2023
Scoring 340 marks & above in NEET -UG 23 for ST
Scoring 300 marks and above in NEET-UG 23 for sc

We sue 100% ..If u are not succeed after once u join our NEET/JEE Course then we will support u without any course fee forever. R U READY ?

Faciliteis : van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , EXTRA CLASS of Manipuri and English and optional subject for x and xii provided

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105

HL-B/8193/2-26 July (Alt)